# হুইয়েন লানপাও

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

The Largest Circulated Newspaper in Manipur

Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)




অমুকো অমসুং মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেশন (এম এস এফ) কী থৌমীশিংনা ঈশিং ঈচাও মায়োক্লরবা ৱাঙ্খৈ য়োংলান লৈরক্তগী পীক্লিবা অঙাং য়াওনা মীওইশিং শাফগদবা মফমদা থংদোক্লবা হোৎনখিবা


মণিপুরগী মনুংদা মশক নাইবা কোলেজ অমা... ☛ লামায় ২
লামায় ৪ ☛ হে মণিপুর ইমা, নহাক্কী নশাইকোল অসিদা!
ককচীংগী নোংচুবী চীঙ্গোন্দা নোংলাউ লাউদুনা ... ☛ লামায় ৫
লামায় ৬ ☛ লৌমীনা খূৎলিংবা খুন্নাই অমা ওইরবা মতমদতা ...
মোস্নুনগী খোঙজেল তপথখ্রে, থা অসিগী... ☛ লামায় ৮
লামায় ১০ ☛ থাইলেন্দ ওপন : দীপক অমসুং নামননা সনাগী...


লায়ন্স ইন্টরনেশনল দিষ্ট্রিক্ট-৩২২দিগী দিষ্ট্রিক্ট গভর্ণর লায়ন টি ঐচ কেশোনা ওইনাম অমসুং নম্বোলগী লায়ন্স ক্লবশিংনা শীন্দুনা ওইনাম পব্লিক হোলদা পাঙথোকপা ভিজিটেশন প্রোগ্রামদা শরুক য়াখিবা




Vol. 49, Issue No. 063 | লৈবাকপোকপা, ইঙাগী ৮নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Tuesday, June 03, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


# মীওই ৫৬,৫১৬ ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরে অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা য়ূম ১০,৪৭৭ শুরে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
মমাঙ থাগী ২৭/২৮দগী ঙসি নুমিদাংৱাইরম ফাওবা লেপ্তুনা চুখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা দিষ্ট্রিক্ট খরগী য়াওনা মায়োক্লরক্লিবা ঈশিং-ঈচাও অসিনা ঙসি নুমিদাং পুং ৭.৩০ ফাওবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লবা মীওইশিংগী মশীং ৫৬,৫১৬ শুরে হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী দিরেক্টরনা থোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লোয়শঙ অসিগী চেরোল অসিনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না ঈশিং ঈচাওনা ঙরাং ফাওবদা খুল অমসুং লৈকায় ১০৩ শোকহল্লম্বদু হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অতোপ্পা খুল/লৈকায় ৭১ হেনগৎলক্তুনা ঙসি নুমিদাংগী পুংফম অসি ফাওবদা পুন্না খুল/লৈকায় ১৭৪ শুরে হায়রি।

অদুগা ঙরাং ফাওবদা ঈচাও অসিনা মরম ওইরদুনা শোকহনখিবা য়ুম ৩,৩৬৫ খক্তমক ওইরম্বদু হৌখিবা পুং ২৪গী





## ময়াং ইম্ফালগী হঙ্গুন মপাদা ইম্ফাল তুরেলগী তোৰ্ব্বান কায়দুনা চেনশিল্লকপা ঈশিংনা য়ূমশিং থুমজিনবদা নত্তনা অঙনফৌশিং হাৎখ্রে, ঙায়োক ফার্মশিং পাথোকখ্রে

মনুংদা অনৌবা য়ূম ৭,১১২দসু ঈচাও অসিনা শোকহল্লকপদগী ঙসি নুমিদাংগী পুং ৭.৩০ তারকপা ফাওবদা অপূনবা ঈচাওনা শোকহল্লবা য়ূম মশীং ১০,৪৭৭ শুরে হায়রি। অদুগা ঈচাও অসিনা ঙরাং ফাওবদা মীওই ২ অশোক-অপন য়াওহনখ্রবা মতুং হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা অতোপ্পা মীওই অনী অমগসু অশোক-অপন য়াওরকপদগী পুন্না মীওই ৪ শোক্লে। অদুগা ঈশিংগী অকনবা ঈচেলনা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি গোবিন্দ মোহান ১সুং আই বিগী দিরেক্টর তপনকুমার দেকা লাক্লে

# চূড়াচান্দপুরদা হরাওনা ওকখ্রে, আই দি পিশিং উনখ্রে রিলিফ কেম্পশিংদা ক্রেস সেন্টর ১সুং লাইব্রেরি হাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি গোবিন্দ মোহান অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসকী মখাদা লৈরিবা ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি) গী দিরেক্টর তপনকুমার দেকা ঙসি অয়ূক পুং ১১.৩০ রোম তারকপদা কোলকটাদগী ইন্দিগো ফ্লাইট অমদা ইম্ফালদা থুংলবগা হেলিকোপ্টরনা চূড়াচান্দপুরদা চৎপদা দিষ্ট্রিক্ট অদুগী তোঙান তোঙানবা ফূরুপশিংগী সী এস ও লুচিংবশিং/ভিলেজ হেদমেনশিংনা হরাওনা ওকখ্রে।

খোঙচৎ অসিদা চীফ সেক্রেটরি পি কে সিংহ, দি জি পি রজিব সিংহ অমসুং চূড়াচান্দপুরগী দেপ্যুটি কম্মিস্নর ধারুনকুমার অমদি ষ্টেট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অদুগী মকোক থোংবা ওফিশলশিংগা লোয়নখি। য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা লুচিংবা টিম্না চূড়াচান্দপুরগী হেদ ক্বার্টরস ভেঙদা লৈবা ৩৬-এ আরগী হেলিপেদতা থুংবগা পন্থদনা ন্যু লমকাগী দোরকাস ভেঙদা হাংবা রিলিফ কেম্পতা চৎতুনা কেম্প অসিদা চঙজফম লৌদুনা লৈরক্লিবা নুপী



অঙাং য়াওনা মীওই কয়াগা হকথেংননা উনখি।

কেম্প অসিদা নুপীশিংগী ফিরোল তুবগী প্রোগ্রাম অমগা অঙাংশিংবু মচি লৈবা চীঞ্জাক পীজফম ওইগদবা ক্রেস সেন্টর অমগা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিনা হাংদোকখি। ঙসি হাংদোক্লিবা ক্রেস সেন্টর অমসুং নুপীশিংগী টেলরিং সেন্টর অসি কেম্প অসিদা লৈরিবা নুপী অমসুং অঙাংশিংবু মতেং ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোন্সাখুল : অমুক্কসু ফূনরে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
হৌখিবা এপ্রিল ৫দা লৈমখোং পি এসনা কোল্লিবা কোন্সাখুলদা খুল্লোন্নরিবা লৈলোন বাইফৈ খুলগী খুঞ্জাশিং চঙশিল্লক্তুনা কোন্সাখুলগী ভিলেজ চীফ, সেক্রেটরি, পাষ্টর য়াওনা মীওই কয়া খুল অনীগী মরক্তা লৈরকপা লমগী চয়েৎনবা ৱাহৌদগী ফূরম্বগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুং ঙসি নুংথিল পুং ১ রোম তারকপদা অমুক্কসু লৈলোন বাইফৈ খুলগী খুঞ্জাশিংনা নম্ফুদা চঙশিল্লকপদগী খুল অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লা ফূনখ্রে হায়রি।

থৌদোক অসি থোরকপদগী পুলিসনা মখা তানা খুল অনীগী খুঞ্জাশিংগী মরক্তা পামদবা থৌদোকশিং থোরক্তনবা ঙাক শেনবগী থবক পায়খৎপা হৌরে হায়রি।

পনবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৪

# গভর্ণরনা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরিগা লোয়নননা রিলিফ, বোর্দর ফেন্সিং ১সুং সিক্যুরিটি ওপরেশনগী ফীভম রিভিয়ু তৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** ঙসি নুমিৎয়ুংবা মমাঙদা ইম্ফালদা থুংলখিবা য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি গোবিন মোহানগা লোয়নননা গভর্ণরনা রাজ ভবনগী কনফরেন্স হোলদা অৱাংবা থাক্কী রিভিয়ু মীটিং পাঙথোক্তুনা আই দি পিশিংগী রিলিফ অমসুং রিহেবিলিটেশনগীদমক পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং য়াওনা ঙমখৈ শম্বল খাবা অমসুং মণিপুরগী লো এন্দ ওর্দরগী ফীভম রিভিয়ু তৌখ্রে হায়রি।



মীফম অসিদা চীং অমসুং তমদা হাংবা রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌরিবা আই দি পিশিংগীদমক লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং রিভিয়ু তৌখিবগা লোয়নননা মখোয়দা হৌজিক পীরিবা খুদোংচাবশিং য়াওনা মসিগী থাক অমসুং মখোয়বু মহৌশাগুম্না রি-সেট্টলমেন্ট তৌহন্নবা লোঙ টর্ম প্লান ওইনা চত্থগদবা থবক্কী মতাংদসু খন্নখি হায়রি।

মীফম অসিনা ঙমখৈ পরিংদা চত্থরক্লিবা শম্বল খাবগী থবক য়াওনা লো এন্দ ওর্দরগী ফীভমসু কূপ্না য়েংশিনখিবগা লোয়নননা মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক পায়খৎলকপা থবকশিংসু ফোঙদোক্লখি।

মীফম অসিদা আই বিগী দিরেক্টর, চীফ সেক্রেটরি, সিক্যুরিটি এদভাইজর, কম্মিস্নর (হোম), গভর্ণরগী সেক্রেটরি, দেপ্যুটি ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা নোর্থ-ইষ্ট এন এস এস ফেষ্টিবেল, ২০২৫ হৌদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
এন এস এসকী রিজনেল দিরেক্টোরেট (গুৱাহাটি, অসাম) অমসুং মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুথ এফেয়রস এন্দ স্পোর্টসকী ...মখা লমায় ৩ কলম ৭









## ঈচাও : তুরেলদা তাশিনখিবা মীওই ফংদ্রি

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলক্তুনা তুরেল তোৰ্ব্বানশিং কায়রক্তুনা মফম খরদা ঈশিং-ঈচাওগী অৱাবা মায়োক্লরিঙৈগী চৈরক্তা ঙরাং নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ রোম তারকপদা সেকমাই এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী মনুং চল্লিবা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## কোকোমিনা খুরাই লম্লোং কৈথেলদা ফ্লদ রিলিফ অমসুং ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন হাংদোকখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
মণিপুর মীয়ামগী তোঙান তোঙানবা ইস্যুশিংদা মাঙজিল থানা চোংথোরক্তুনা অচৌবা থৌদাং লৌরক্লিবা কোকোমিনা হৌজিক মায়োক্লরিবা ঈশিং ঈচাওগী ফীভম অসিনা অৱাবা মায়োক্লহল্লবা মীওইশিংবু মতেং পাংনবগীদমক খুরাই লম্লোং কৈথেলদা ফ্লদ রিলিফ অমসুং ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন অমা হাংদোক্লে হায়না লূপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

কোকোমিগী ফ্লদ রিলিফ অমসুং ইমর্জেন্সি হেল্পলাইন সেন্টর অসিগী কন্টেক্ট নম্বরশিংনা ৯৮৬৩৭৩৮৭৪১, ৯৩৬৬৮১৩৪০৬, ৯৬১২৩১৮৪৪৫নি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকপদা ঙরাং কোকোমিগী কনভিনরনা লুচিংবা মেম্বর ৮না শাবা টিম অমনা ঈচাও মায়োক্লরবা মফমশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে হায়বগা লোয়নননা মরী লৈনবা ষ্টেট এজেন্সীশিংদগী খুদক্তা এক্সন টেকন রিপোর্টশিং পীগদবনি হায়রি।

## নাগা লূপশিংনা লৈঙাক্কী লোয়শঙশিং থিংজিনবগী খোঙজং হৌখ্রে

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :** ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা শম্বল খাজিল্লকপা অমসুং হান্না চৎনহল্লম্বা ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম চৎনহনখিদবগী মায়োক্তা ওল নাগা ষ্টুদেন্টস এসোসিএশন, মণিপুর (অন্সম) না লেপ্লকপা ফিরেপ শৌগৎলদুনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএশননা মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসিদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈবা লৈঙাক্কী লোয়শঙ অমদি ওফিসশিং থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

খোঙজং অসি ঙসিদগী হৌরদুনা হয়েং ফাওবা নুমিৎ নীনি চূপ্পা চঙশিনগনি হায়খিবগী মতুংইন্না সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট ষ্টুদেন্টস এসোসিএশননা ঙসি চঙশিনখিবা খোঙজংদা মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, মরাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, পৌমাই নাগা ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, থাঙ্গাল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমসুং সেনাপতি জোনগী জেলিয়াংরোং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী থৌমীশিংনসু শরুক য়াখি। খোঙজং অসিনা থিংজিনখিবা লোয়শঙশিংগী মনুংদা দি সী ওফিস, দি আর দি এ/এ দি সী অমসুং বেঙ্কশিং য়াওখি।

## শিজগী ডা. জুগিন্দ্রনা ক্লাসিকেল ম্যুজিকতা অহানবা বিশারদ ফংলবা মণিপুরগী ডাক্তর ওইরে



**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
শিজ হোস্পিটালস এন্দ রিসর্চ ইন্সটিট্যুট প্রাইভেট লিমিটেদগী দিরেক্টর ওফ মেদিকেল সর্ভিসেস ওইরিবা ডা. জুগিন্দ্র সোরোকখাইবমনা ক্লাসিকেল ম্যুজিকতা বিশারদ দিগ্রী সর্টিফিকেট ফংবা অহানবা মণিপুরগী এলোপেথিক ডাক্তর ওইরে।

...মখা লমায় ৩ কলম ৪

## কে সী পি-পি দল্লিয়ু জিগী ৱাফম

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
কংলৈপাক কম্যুনিষ্ট পার্টি-পি দল্লিয়ু জিগী পি আর ও চীঙ্খৈঙানবনা থোরকপা চেরোল অমদা ৱাফম খরা থল্লক্লি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

# ঈশিং-ঈচাও অসি নেচরেল কেলামিটি নত্তে, প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্না মথৌ তৌদবশিং এক্সন লৌগদবনি : কোংগ্রেস

**ইম্ফাল, জুন ০২ (ঐচএনএস) :**
মমাঙ থাগী ২৭/২৮দগী লেপ্তুনা চুরকখিবা নোংনা মরম ওইরদুনা মরু ওইবা তুরেলশিংগী ঈমাই ৱাংখৎলকপদগী তুরেল তোৰ্ব্বান কায়বা, নমথখিবা অমদি ইফুৎ ফাওরকপনচিংবা থৌদোকশিংদগী মরু ওইনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, কাংপোকপী অমসুং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিং-ঈচাওগী খুদোংচাদবা মায়োক্লরকপগী মতাংদা ঙসি ইম্ফালগী কোংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা পার্টি অসিগী সিনিয়র স্পোক্সপর্সন এন ভুপেন্দনা ঈথাই বরাজ অমদি দোলাইথাবী দামগী থোঙশিং করিগীদমক মতম চানা হাংদবনো হায়বা ৱাহং প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক্তা ওনশিন্দুনা হংখ্রে।



মহাক্না পাউমীশিংদা মখা তানা হায়, জেনিমসতা ঈশিং-ঈচাও মায়োক্লদুনা অনা-লায়েংগী থবক্তা অরুবা ওইহল্লে। মরম অসিনা অনাবশিংবু লায়েংবীদুনা পূন্সি কনবা অমসুং লন-থুম মাঙহন্দনবা হোৎনবা লৈঙাক অসিগী থবক কদাইদা চৎখ্রবগে হংখি।

মমা ওইরগদবী নুপীশিং, হার্ট পেসেন্ট অমদি অরুবা লায়না মায়োক্লুবা অহল ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

HL-B/9590/03


